৮শুবা মজারুন বি বি মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

# নীনিশুবা নুমিৎতা আর ৱাই সী রমগাইজাংনা খাসি ৱাই সী কামরঙ্গগী মথক্তা গোলগী নোং হৈথখ্রে



জিরিবাম, ওক্টোবর ০৪ (ঐচ এন এস) ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) জিরিবাম মণিপুরনা শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা ৮শুবা মজারুন বি বি মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা আর ৱাই সী রমগাইজাংনা খাসি ৱাই সী কামরঙ্গগী মথক্তা গোলগী নোং হৈথখ্রে।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদগী ক্লব ৮না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ৮শুবা মজারুন বি বি মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি আর ৱাই সী রমগাইজাং অমসুং খাসি ৱাই সী কামরঙ্গ শান্নখি। মেচ অদু আর ৱাই সী রমগাইজাংনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা খাসি ৱাই সী কামরঙ্গনা বোল কাওবা হৌখি।

মেচ অদু হেক হৌরকপদগী হৌনা আর ৱাই সী রমগাইজাংগী শান্নরোয়শিংনা খাসি ৱাই সী কামরঙ্গবু লাকচরপ তৌনা শান্নখি। অহানবা হাফকী অহুমশুবা মিনিটতা আর ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১৮ ইমানুএলনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। মিনট ৩ কান্নরগা মেচকী ৬শুবা মিনটনা আর ৱাই সীগী ইমানুএলনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিন্দুন মেচ অদু আর ৱাই সীনা গোল ২-০দা মাঙজিল থাখি।

মেচকী ১৩শুবা মিনটতা অমুক আর ৱাই সীগী রামজালুং অমসুং মেচকী ১৫শুবা মিনটতা মিনাসন্না গোল অনী অমগা মথং মথং চনশিন্দুনা মেচ অদু আর ৱাই সীনা গোল ৪-০দা লৈখি। মেচকী ১৮শুবা অমসুং ২০শুবা মিনটতা আর ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৯ গাইকাওলুং অমসুং জর্সি নম্বর ১৮ ইমানুএলনা গোল অনী অমগা চনশিনখি। খাসি ৱাই সীগী মায়কৈদগী আর ৱাই সীনা মাঙজিল থানা চৎলিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা এটেক কয়া চথুরকখি। অদুবু আর ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা খাসি ৱাই সীগী চথুরক্লিবা এটেকশিং অদু নীংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা মেচ অদু লাকশিন্দুনা শান্নখি। মেচকী ৩৫শুবা মিনটতা আর ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১৬ জুআনানা মহাক্কী টিমগী ৭শুবা গোল চনশিন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মহাক্কী টিম্না গোল ৭-০দা লৈহনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা খাসি ৱাই সীগী মায়কৈদগী আর ৱাই সীনা অহানবা হাফতগী মাঙজিল থাদুনা লাক্লি গোলশিং অদু হন্দোক্নবা অকন্নবা এটেক কয়া চথুরকখি। আর ৱাই সীগী মায়কৈদগীসু খাসি ৱাই সীগী মায়কৈদগী চথুরক্লিবা এটেকশিং অদু অঙন্থবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা মেচ অদু লাকশিন্না শান্নরকখি। মেচকী ৩৯শুবা মিনটতা আর ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৯ গাইকাওলুংনা গোল অমগা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ৮-০দা লৈখি। মেচকী ৪৭শুবা অমসুং ৬৯শুবা মিনটতা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১০ কুগোপাওনা গোল অনী অমগা চনশিনখি। মেচকী ৭০শুবা মিনটতা আর ৱাই সীগী গাইকাওলুংনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১১-০দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা খাসি এফ সীগী মায়কৈদগী আর ৱাই সীগী গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথুরকপা মেচ ওইনা হয়েং এন ৱাই সী পাৎশোই পার্ট টু অমসুং সী এফ সী লোবোনখাল শান্নগনি হায়রি। ঙসিগী মেচ অদুদা ভি জ্বেল, ও বিসেশ্বর, এম অমরজিৎ অমদি ঈ তোমচৌনা সেন্তর রেফ্রি, এ আর ৱান, এ আর টু অমদি ফোর্থ রেফ্রি ওইনা ওফিসিএট তৌখি।

১৭শুবা ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

# এন ৱাই ভি এ, কে ৱাই এস য়ু, টি আর ৱাই ভি সী, ৱাই এম দি ও সেমী চঙখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচ এন এস) ঃ ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসন (এ এম বি এ) না শীন্দুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা কাইরেনবিখোক ময়ায় লৈকায়গী কম্যুনিতি হোলদা কাইরেনবিখোক য়ুথ স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (কে ৱাই এস য়ু) না য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী মরিনি চনবগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা এন ৱাই ভি এ নাওরেম, কে ৱাই এস য়ু কাইরেনবিখোক, টি আর ৱাই ভি সী উখুল, ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী বোল্লিবোল টিম ১৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী মরিনিশুবা নুমিৎকী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এন ৱাই ভি এ নাওরেম অমসুং মিখ্যা-বি ময়াং ইম্ফাল শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী সেমী ফাইনেল চঙনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা এন ৱাই ভি এনা মিখ্যা-বিবু ৩-০ (২৫-১৯, ২৫-১২, ২৫-২৩) দা, অনীশুবা গ্রাউন্দদা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা কে ৱাই এস য়ু কাইরেনবিখোক অমসুং এম ৱাই সী অন্দ্রো শান্নখিবা মেচ অদু কে ৱাই এস য়ুনা ৩-১ (২৬-২৮, ২৫-১৩, ২৫-২২, ২৫-১৯) দা, অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা টি আর ৱাই ভি সী উখুলনা আইজি ও ওইনাম্বু ৩-০ (২৫-২২, ২৫-২০, ২৫-২০) দা অমদি ঙসিগী অরোইবা গ্রাউন্দ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোংনা এস দি সী শমুরৌবু ৩-২ (২০-২৫, ২৩-২৫, ২৫-১৩, ২৫-১৭, ১৫-৪) দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথুরকপা মেচ ওইনা হয়েং অহানবা সেমী ফাইনেলদা এন ৱাই ভি এ অমসুং কে ৱাই এস য়ু অমদি অনীশুবা সেমী ফাইনেলদা টি আর ৱাই ভি সী অমসুং ৱাই এম দি ও শান্নরগনি।

# মণিপুরগী করাটে শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং হরাউ তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচ এন এস) ঃ টামিল নাদুগী চেন্নাইদা লৈবা জে জে ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌখিবা থাগী ২৯ অমসুং ৩০দা সোবুকাই নিহোন সিটো রিও করাটেদো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৯শুবা সোবুকাই নেসনল করাটে চেম্পিয়নশিপ অমসুং প্রেমিয়র লীগ ২০১৮দা শরুক য়াদুনা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং অমদি শরুক য়ারুবা ওফিসলশিং তরাম্না ওকখ্রে।

লৈবাক অসিগী মফম কয়াদগী ষ্টেট কয়ানা শরুক য়াদুনা নুপা অমসুং নুপীগী ওইনা পাঙথোকখিবা ৯শুবা সোবুকাই নেসনল করাটে চেম্পিয়নশিপ অমসুং প্রেমিয়র লীগ ২০১৮দা মণিপুরগী করাটেদো টিমদা শরুক য়াদুনা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিং ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা য়াম্লবা মীয়াম অমদি করাটেদো এসোসিএসন ওফিসল কয়া অমদি শান্নরোয়শিংনা লৈ পরেংশিং হুক্তুনা হরাউ তরাম্না ওকখি।

মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াদুনা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি নুপাগী কাঙলূপ্তা লনচেনবা লুৱাংনা গোল্ড অমদি সিলভর অমমম, গুনেশ্বর থৌনাওজম্না সিলভর, ৱাই সুরজকুমারনা গোল্ড, কে ঐচ রিসিনা ব্রোঞ্জ, ঐচ ঙানথোইবনা সিলভর, ও চীংলেনসম্নানা ব্রোঞ্জ অমসুং এস ঐচ নিখিলনা সিলভর মেদল লৌরকখিবনি। অদুগা নুপীগী কাঙলূপ্তুনা ৱাই প্রেমিকানা গোল্ড, ঐচ রোসনিনা সিলভর, কে ঐচ অরবান সহানিনা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ অমমম লৌরকখি।

৯শুবা সোবুকাই নেসনল করাটে চেম্পিয়নশিপ অমসুং প্রেমিয়র লীগ ২০১৮দা মণিপুরগী টিমদা ওফিসল ওইনা শরুক য়ারুবশিং অদুদি টিম মেনেজর ওইনা সেনসৈ লনচেনবা লুৱাং, টিম কোচ ওইনা সিহান টি ঐচ ইবুংঙোচৌবা অমসুং টিম কোচ ওইনা সেনসৈ ডা. ঐচ রোমেননি।

# জীট কুনেদোগী সেলেক্সন টেষ্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচ এন এস) ঃ থাইলেন্দগী পট্টয়া সিটিদা লৈবা ফর্ষ্ট পেসিফিক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা নবেম্বর ২৫দগী২৭ ফাওবা নুমিৎ হুমনি চূপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা অহুমশুবা এসিয়ন জীট কুনেদো চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা শরুক য়ানবা জীট কুনেদো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী টেক্নিকেল ওফিসল অমসুং কুমজা ২০১৭-১৮ ফাওবগী মনুংদা জীট কুনেদো নেসনল এন্দ ইন্টরনেসনল মেদলিষ্ট ফংখ্রবশিংগী সেলেক্সন টেষ্ট পাঙথোক্লগনি।

সেলেক্সন টেষ্ট অসি ওক্টোবর ৭কী অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবদগী ৮ ফাওবা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাগী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্কনি। সেলেক্সন টেষ্ট অসিদা জীট কুনেদো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী টেক্নিকেল ওফিসল অমসুং কুমজা ২০১৭-১৮ ফাওবগী মনুংদা জীট কুনেদো নেসনল এন্দ ইন্টরনেসনল মেদলিষ্টনা মতম চানা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না জীট কুনেদো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. মোইরাংথেম ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# তবাবী শরুক য়ারগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচ এন এস) ঃ অর্জেন্টিনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুথ ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী জুদো টিমদা মণিপুরদগী টি ঐচ তবাবী শরুক য়ারগনি। ইন্দিয়াগী কোচ চীংখৈ হুইদ্রোম অমদি জুদো শান্নরোয় টি ঐচ তবাবী চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানবা ঙরাং অর্জেন্টিনা থুংখ্রে হায়রি।

এম য়ু ইন্টর কোলেজ কবাদ্দি টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ লোইশিনখ্রে

# নুপীগী কাঙলূপ্তা রিজনেল কোলেজ অমদি নুপাগী কাঙলূপ্তা থৌবাল কোলেজনা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটি (এম য়ু এস সী) গী মীৎয়েং মখাদা রিজনেল কোলেজ লিলোং চজিংনা শীন্দুনা কোলেজ অসিগী ইন্দোর হোলদা মমাঙ থাদগী হৌদুনা চথুরকখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ কবাদ্দি (মেন্স এন্দ ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী নুপীগী কাঙলূপ্তা রিজনেল অদুগা নুপাগী কাঙলূপ্তা থৌবাল কোলেজনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

কোলেজ কয়াদগীনুপা অমসুং নুপীগী কবাদ্দি টিমশিংনা শরুক য়াদুনা রিজনেল কোলেজ লিলোংনা য়ূম্বু ওইদুনা মমাঙ থাদগী পাঙথোকখিবা এম য়ু ইন্টর কোলেজ কবাদ্দি (মেন্স এন্দ ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা রিজনেল কোলেজগী ভাইস প্রসিদেন্ট দব্লিয়ু গোনেন্দ্রো, কোলেজ অসিগী জোইন্ট সেক্রেটরি এম মনোহর, রিজনেল কোলেজকী ট্রেজরর ৱাই সুনিল অমদি কোলেজ অসিগী গভর্নিং বোদিগী মেম্বর ওইরিবা ৱাই অতিকানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ কবাদ্দি (মেন্স এন্দ ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী নুপী কাঙলূপকী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি রিজনেল কোলেজ অমদি ময়ায় লম্বী কোলেজ শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী ৱিন্নর ওইনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। ফাইনেল মেচ অদুগী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপদা রিজনেল কোলেজনা পোইন্ট ৫৪ ফংদুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা ময়ায় লম্বী কোলেজনা পোইন্ট ৫০ ফংদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টিম রন্নর্স-অপ তাখি।

পনবা য়াবদি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ কবাদ্দি (মেন্স এন্দ ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী নুপাগী কাঙলূপকী ফাইনেল মেচ ওইনা থৌবাল কোলেজ অমসুং রিজনেল কোলেজ শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী ৱিন্নর ওইনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচ অদুদা থৌবাল কোলেজনা পোইন্ট ৪১ ফংদুনা ৱিন্নর অমদি রিজনেল কোলেজনা পোইন্ট ১৯ ফংদুনা রন্নর্স-অপ তাখি হায়না এম য়ু ইন্টর কোলেজ (মেন্স এন্দ ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী ওর্গেনাইজিং সেক্রেটরি রিজনেল কোলেজ লিলোংগী বি সুরজ শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

# মুতুম ইবোমচা অমসুং নাওরেম অনিতাদা এৱার্দ খূৎশিন্নখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচ এন এস) ঃ মধ্য প্রদেশ লৈঙাক্কী স্পোর্টস এন্দ য়ুথ ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা চহী খুদিংগী শান্ন-খোৎনবগী লম্দা পীবা খ্বাইদগী চাউবা এৱার্দ ঙসি মশক নাইবা শান্নরোয় অমদি কোচ ২৯দা পীখিবগী মনুংদা মণিপুরদগী হৌখিবা সাইক্লিং কোচ মুতুম ইবোমচাদা বিশ্বামিত্র এৱার্দ ২০১৮ অমদি সাইক্লিষ্ট নাওরেম অনিতাদা এক্লব্যা এৱার্দ ২০১৮ ঙসি ভোপালগী টিটি নগর ষ্টেদিয়মদা খূৎশিন্নখ্রে।

পনবা য়াবদি সাইক্লিং কোচ মুতুম ইবোমচা ইম্ফাল ইষ্টকী কৈরাও বিত্রা ময়ায় লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা মুতুম নিংথেমগী মচানুপানি। মহাক হৌখিবা চহী ৫ রোমগী মমাঙদগী দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস এন্দ য়ুথ ৱেলফেয়র মধ্য প্রদেশকী মখাদা ষ্টেট অসিগী এন আই সী সাইক্লিং কোচ ওইনা লৈরকখিবনি। মধ্য প্রদেশতা সাইক্লিং কোচ ওইনা লৈরকপদা মহাক্না ঙসি ফাওবদা ইন্টরনেসনল সাইক্লিষ্ট ৭, নেসনল সাইক্লিষ্ট ৮ পুথোকপা ঙম্বগীদমক মহাকপু বেষ্ট কোচকী মীংথোল পীদুনা এৱার্দ অসি পীখিবনি। অদুগা সাইক্লিষ্ট নাওরেম অনিতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা পাৎশোই পার্ট টুদগী নাওরেম ইনাওচাগী মচানুপীনি। মহাক সাইক্লিং কোচ ইবোমচাগী মখাদা শান্নদুনা মধ্য প্রদেশকী মহুৎ শিন্দুনা মেদল কয়া পুরকপা ঙমখ্রবী শান্নরোয়নি হায়রি।

HL-B/4720/24/6-21/10 (alt.)

# ইন্দিয়ন কোচ সুসিলা অমসুং সিলভর মেদলিষ্ট রোসিদা ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচ এন এস) ঃ দুবাইদা সেপ্টেম্বর ১২দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোকখিবা এসিয়ন বেঞ্চ প্রেস পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা ইন্দিয়া টিমগী নুপীগী কোচ ওইনা শরুক য়াখিবা নাওরেম সুসিলা, চেম্পিয়নশিপ অসিদা শররুক য়াদুনা সিলভর মেদল ফংলকখ্রবী কোন্সম রোসিদা অমসুং লক্ষনৌদা সেপ্টেম্বর ২৬তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোকখিবা নেসনল ক্লাসিক সব জুনিয়র, জুনিয়র, সেনিয়র অমদি মাষ্টর অন ইক্বিপ মেন এন্দ ৱিমেন পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে।



দুবাইদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন বেঞ্চ প্রেস পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা লিফটর কোন্সম রোসিদানা কেজি ৮৪ মথক্কী সেনিয়র কেটেগোরিদা সিলভর মেদল লৌখি।

লক্ষনৌদা পাঙথোকখিবা নেসনল ক্লাসিক সব জুনিয়র, জুনিয়র, সেনিয়র অমদি মাষ্টর অন ইক্বিপ মেন এন্দ ৱিমেন পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা য়াম্লবা মীয়াম অমদি শান্নরোয় কয়ানা লৈ পরেং হুক্তুনা হরাউ তরাম্না ওকখিবনি।

এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াদুনা সিলভর মেদল ফংলকখ্রবী কোন্সম রোসিদা এয়রপোর্টতা ওক্লবা মতুং তখেল্লম্বম লৈকায়গী টি ৱাই সী ক্লবতা ক্লব অসিগী মেম্বর অমদি লৈকায় মীয়াম্না ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি হায়রি।



HL-B/4876/22/9-21/10




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com